## এ এফ সী ষ্টেট লেভেল ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ ২০১৭

# নুপী ৮২ অমসুং নুপা ১৫২ শরুক য়াদুনা চেলেঞ্জ অসিগী প্রিলিমিনরি রাউন্দ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ : অপূনবা ফিটনেস সেন্তরনা শিন্দুনা ৭শুবা এ এফ সী ষ্টেট লেভেল ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ ঙসিদগী হৌখ্রে। নুপী ৮২ অমসুং নুপা ১৫২ না শরুক য়াদুনা চেলেঞ্জ অসিগী প্রিলিমিনরি রাউন্দ ঙসি রিমস রোদতা লৈবা অপূনবা ফিটনেস সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে।



চেলেঞ্জ অসিগী প্রিলিমিনরি রাউন্দদা শরুক য়াখিবা নুপাশিংগী মরক্তা মশাগী অরুম্বা কেজি ১১০ য়ৌবা ফাওবা লাকখি। অদুগা নুপীগীদনা মশাগী অরুম্বা কেজি ১২০ য়ৌবা য়াওখি। প্রিলিমিনরি রাউন্দ অসিদা শরুক য়াবা লাকখিবা কন্টেষ্টেন্টশিংনা ফোঙদোরকপদা, হকচাং ফনা থম্বা পাম্বদগী এ এফ সী ষ্টেট লেভেল ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসিদা শরুক য়াবনি। চাংদম্নবা অসিদা ফার্ষ্ট তাবা নৎত্রগা তাদবগী ৱাখল্লোন্দা য়াওবা নত্তে। হকচাং ফনা থম্বনা মরু ওই খল্লগা য়াওরকখিবনি। হকচাং ফনা লৈহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোরক্লিবা এ এফ সী ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসি য়াম্না ফৈ খল্লি। চাংদম্নবা অসিদা পুম্নমক্কসু শরুক য়াহন্নীংই হায়না ফোঙদোরকখি।

অপূনবা ফিটনেস সেন্তরগী মেনেজিং দিরেক্টর ওইবদা নত্তনা ষ্ট্রোংমেন ওফ ইন্দিয়া য়ুম্নাম হেমলেট হায়খি, চহীসিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭শুবা ষ্টেট লেভেল ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসি ঙসিদগী প্রিলিমিনরি রাউন্দ পাঙথোক্তুনা হৌরে। ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসি থা ৩ চুপ্পা চত্থদুনা নবেম্বর ২৬ তা লোইশিনগনি। মশা মউ ফবা তিঞ্জং কাইজংদবা অফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবা ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসিদা নুপী অঙাং খাক্তনা লমদমসিগী মীপুম খুদিংমক্কা শরুক য়াদুনা লাক্লি। চহী অসিগী ওইনা পাঙথোক্লিবা চেলেঞ্জ অসিদসু পুম্নমক্কা শরুক য়াবিদুনা মপূং ফাহনবীয়ু।

ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসিনা মীওইবগী হকচাংবু থা ৩ গী মনুংদা চুং ফিরাল চাবা, মশা মউ ফবা মীওই অমা ওইহনবদা অচৌবা মতেং পাঙগনি। অসিদসু নত্তনা নোংমা নোংমগী নিশাগী ইপাক্তা তাওদুনা লৈরিবা লমদমসিগী নহারোল কয়াবু মশা মউ ফবা মীওই অমা ওইহনবদা অচৌবা মতেং অমসু পাঙলগনি। মশা য়াম্না নোয়বা অমদি ময়াং য়াম্না কংবা য়েংবদা চুং ফিরাল চাদবা মীওই কয়াবু মতমগা চুন্নরবা এক্সর্সাইজ কয়াগী মতেংগা লোয়ননা য়েংবা নুংঙাইবা অমদি মশা মউ ফবা মীওই অমা ওইহন্নবগীদমক চাংদম্নবা অসি পাঙথোকপনি। ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসিগী প্রিলিমিনরি রাউন্দদা পূন্না মীওই ২০০ হেনবনা শরুক য়ারি। ফাইনেল রাউন্দনা নবেম্বর ২৬ তা পাঙথোক্লবা মতুং চেলেঞ্জ অসিগী গ্রান্দ ফিনালে চহী অসিগী দিসেম্বর ৩ দা পাঙথোক্কনি হায়খি।

## গ্লাসগো ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৭

# সাইনা অমসুং সিন্ধু সেমী ফাইনেল চঙখ্রে, ইন্দিয়ানা ব্রোঞ্জ মেদল অমা শোয়দনা ফংলগনি

গ্লাসগো, ওগষ্ট ২৬ : গ্লাসগো ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ কী ৱিমেন'স সিঙ্গলসকী সেমী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অমসুং পি ভি সিন্ধু সেমী ফাইনেল চঙখ্রে। সাইনা অমসুং সিন্ধুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবা তাঙ্কক অসি লৈবাকসিগী বেদমিন্টন পুৱারীদা ইদুনা লৈহৌরগনি।





চেম্পিয়নশিপ অসিগী ৱিমেন'স সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা লন্দন ওলেম্পিক্কী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সাইনা নেহৱালনা স্কোটলেন্দগী কিরষ্টি গিলমোরগা শান্নখি। ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা স্কোটলেন্দগী কিরষ্টি গিলমোরবু ২১-৯, ১৮-২১, ২১-১৫ দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙলকখিবনি।

ৱিমেন'স সিঙ্গলসকী সেমী ফাইনেলদা সাইনা নেহৱালনা সভেন সীদ নোজোমি ওকুহরাগা শান্নরগনি। জপানিজ সট্টলর নোজোমি ওকুহরানা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইরিবা স্পেনগী কেরোলিনা মারিনবু ২১-১৯, ১৪-২১, ২১-১৫ দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল য়ৌরকখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙরাং শান্নখিবা ৱিমেন'স সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সট্টলর পি ভি সিন্ধুনা চাইনাগী সুন য়ুগা শান্নখি। ক্বার্টর ফাইনেল অদুদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল অনীরক লৌখ্রবী মরিশুবা সীদ পি ভি সিন্ধুনা চাইনাগী মঙাশুবা সীদ সুন য়ুবু ২১-১৪, ২১-৯ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি। সিন্ধুনা সেমী ফাইনেল চঙলকখিবা অসিনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা হন্দকসু মেদল অমা লৌননবা থাজবা থমখ্রে।

রিও ওলেম্পিকক্কী শিলভর মেদলিষ্টসু ওইরিবা সিন্ধুনা সেমী ফাইনেলদা চাইনিজ মচা ৱর্ল্ড নম্বর ১০ চেন য়ু ফৈগা শান্নগনি। চেন য়ু ফৈনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা হান্নগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন থাইলেন্দগী ৮শুবা সীদ রচানোক ইন্টানোনবু ১৪-২১, ২১-১৬, ২১-১২ দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙলকখিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী লাষ্ট ফোরদা ইন্দিয়াগী সট্টলর সাইনা নেহৱাল অমসুং পি ভি সিন্ধু চঙলকখিবা অসিনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়ানা শুংশোয় শোয়দনা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংলগনি। সেমী ফাইনেলদা লৈবাক অসিগী সট্টলরশিংনা উৎলকপা পার্ফোমেন্সশিং ঙাইবা তারি।

## মেচ য়ৈথোকখ্রে

বিষ্ণুপুর, ওগষ্ট ২৬ : দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিল্লগা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা তোঙান তোঙানবা টিম ১৫ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ১২শুবা এন বলানন্দা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ অমসুং ৪শুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নগদবা মেচশিং নোংকন্না তাবনা মরম ওইরগা য়ৈথোকখ্রে।

সেকেন্দ দিভিজন অমসুং ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ওগষ্ট ২৬ তা শান্নগদবা মেচশিং য়ৈথোকখিবা অদুগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট বিষ্ণুপুর এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সী ঐচ ইবোতোম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নোংকন্না তাখিবনা মরম ওইরগা ঙসি শান্নগদবা মেচশিং অসি য়ৈথোকখিবনি।

১২শুবা এন বলানন্দা মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী মরিশুবা মেচ ওইনা ওগষ্ট ২৬ কী নুংথিল পুং ১.৩০ দা এম সী কে কবো ৱাকচিং অমসুং এ ৱাই সী টিংকাই খুন্নৌ শান্নগনি হায়না তৌরম্বা অদু লাক্লিবা ওগষ্ট ২৮গী অয়ূক পুং ৮ তাবদা শান্নরগনি। অদুগা ৪শুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ২৮শুবা মেচ ওইনা ওগষ্ট ২৬ কী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা য়ু কে সী সী এল ওইনাম অমসুং এ এম ও এফ এ (অমোফা) মোইরাংনা শান্নগনি হায়না তৌরম্বা মেচ অদু লাক্লিবা ওগষ্ট ২৮গী অয়ূক পুং ৮ দা ওইনা শান্নরগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

# ইম্ফালদা চত্থরকখিবা নেসনল কুংফু ওরিয়েন্টেসন স্কুল গেম ট্রেনিং এন্দ কেম্প লোইশিনখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ : ওল ইন্দিয়া কুংফু ফেদরেসন (এ আই কে এফ) গী টেক্নিকেল গাইদেন্সকা লোয়ননা ওল মণিপুর কুংফু ব্রদরহুদ য়ুনিয়ন (এ এন কে এফ দি য়ু) না শিন্দুনা নুমিৎ ৫নি চুপ্পা চত্থরকখিবা নেসনল কুংফু ওরিয়েন্টেসন স্কুল গেম ট্রেনিং এন্দ কেম্প খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী ওদিটোরিয়ম হোলদা ঙসি লোইশিনখ্রে।

নেসনল কুংফু ওরেন্টেসন স্কুল গেম ট্রেনিং এন্দ কেম্প লোইশিনবগী থৌরম অদুদা এম য়ুগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্ট ওফ স্পোর্টস ডা. সী ঐচ প্রদিপ, ওল ইন্দিয়া কুংফু ফেদরেসন (এ আই কে এফ) গী প্রসিদেন্টগী থৌসু পুরিবা এসিয়ন কুংফু কাউন্সিলগী চ্যেরমেন সী এল লামা, য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী দেপ্যুটি দিরেক্টর (স্পোর্টস) লুনখোসৈ হাওকিপ, মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএসনগী সেক্রেটরি সুনিল এলাংবম, এ আই কে এফকী ভাইস প্রসিদিন্টকী থৌ পুরিবা এদভোকেট দুসয়ানত্রজি রাজেন দেসমুখ, এ আই কে এফকী চীফ টেক্নিকেল দিরেক্টর সিফু বি ৱাঘিলে অমসুং এ আই কে এফকী জেনরেল সেক্রেটরি বিক্রান্ট আর অগরৱালনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা সিফু সী এল লামানা হায়খি, নেসনলগী থাক্তা হন্দক পাঙথোক্লিবা ওরিয়েন্টেসন অমসুং ট্রেনিং কেম্প অসিদা শরুক য়াদবা ইন্সত্রক্টর নৎত্রগা ব্লেক হোলদরশিংনা নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা মশান্না অসিগী ইভেন্টশিংদা ওফিসিএল ওইনা শরুক য়াবা য়াররোই। অসিগুম্বা কোর্স অসিদা শরুক য়াবশিংখক্তমক নেসনল লেভেলগী ইভেন্টশিংদা ওফিসিএল ওইনা শরুক য়াবা য়াগনি। মশান্না অসিগী ওইনা লৈরিবা লৈবাক অসিগী ইন্সত্রক্টর অমদি ব্লেক বেল্ট হোলদরশিংনা অনৌবা টেক্নিক অমদি চৎন-কাঙলোনশিং পূন্না খঙমিন্ননবগীদমক ট্রেনিং অসি পাঙথোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা ওল মণিপুর কুংফু ব্রদরহুদ য়ুনিয়নগী ওর্গেনাইজিং সেক্রেটরি সিফু কে ঐচ নোরেন্দ্রোনা হায়খি, মণিপুরদা কুংফু মশান্না অসি হৌদোকহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা সিফু এ কিরন অমদি অতোপ্পা ইন্সত্রক্টর খুদিংমকপু য়ুনিয়ন অসিগী মায়কৈদগী থাগৎলি। মখোয়না লৌরম্বা থৌদাং অদুনা মশান্না অসিদা ঙসিদি ষ্টেট অসিদগী অফবা শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙল্লে। মসিগীসু মথক্তা লমদমসিগী শান্নরোয়শিংনা ইন্টরনেসেনলগী থাক্তা মেদল কয়া লৌরক্তুনা মণিপুর অমদি লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙল্লে। মখা তানসু লমদম অসিদগী অফবা শান্নরোয় কয়া পুথোক্লবা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

নেসনল কুংফু ওরিয়েন্টেসন স্কুল গেম ট্রেনিং এন্দ কেম্প অদুদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা কুংফু ইন্সত্রক্টর অমদি ব্লেক হোলদর ৭০ রোম্না শরুক য়াখি। ট্রেনিং অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্সত্রক্টর অমদি ব্লেক বেল্ট হোদরশিংদসু সার্টিফিকেটশিং অমদি এৱার্দশিং য়েন্থোকখি।

## ৬শুবা ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ ২০১৭

# সেগাল, লনথোইবা, কে রোহিট অমসুং ঐচ সেনরিটা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ : মণিপুর টেবল টেনিস এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চত্থরকখিবা ৬শুবা ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ ২০১৭কী সিঙ্গলসকী তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিশিংদা কে এস ঐচ সেগাল, দব্লিয়ু লনথোইবা, কে রোহিট অমসুং ঐচ সেনরিটা ৱিন্নর ওইখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী দবলসকী তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিশিংদনা ৱাই লক্ষিপ্যারি অমসুং ঐচ লিয়াগী জুরা, টি ঐচ মোনিকা অমসুং ঐচ সেনরিটাগী জুরা, ঐচ সেমসুং অমসুং এ বাইরালগী জুরা, ৱাই বোয় অমসুং ঐচ সেমসুংগী জুরা অমদি এ বাইরাল অমসুং আর কে চেলসিগী জুরা ৱিন্নর ওইখ্রে।

কেদেট বোইজ সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচতা ইম্ফাল ইষ্টকী কে এস ঐচ সেগাল অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী কে এস ঐচ রোহিট শান্নখি। মেচ অদুদা কে এস ঐচ সেগালনা কে এস ঐচ রাহিটপু ১১-২, ১১-৮, ১১-৭ (৩-০) দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

জুনিয়র গার্লস সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচতনা থৌবালগী ঐচ সেনরিটা অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাই লক্ষিপ্যারি শান্নখি। মেচ অদুদা ঐচ সেনরিটানা ৱাই লক্ষিপ্যারিবু ১১-৩, ৭-১১, ১১-৬, ১১-৬, ১১-৮ (৪-১) দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

জুনিয়র বোইজ সিঙ্গলসকী ফাইনেলদনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কে রোহিট অমসুং এ বাইরাল শান্নখি। মেচ অদুদা কে রোহিটনা এ বাইরালবু ১১-৬, ১১-৮, ১১-৬, ১১-৯ (৪-০) দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

য়ুথ বোইজ সিঙ্গলসতা থৌবালগী দব্লিয়ু লনথোইবা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী কে রোহিট শান্নখি। মেচ অদুদা দব্লিয়ু লনথোইবনা কে রোহিটপু ১১-৫, ১১-৬, ৮-১১, ৬-১১, ১১-৭, ১১-৬ (৪-২) দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

সব জুনিয়র বোইজ দবলসকী ফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্টকী ঐচ সেমসুং অমসুং এ বাইরালগী জুরাগা ইম্ফাল ইষ্টকী টি ঐচ রাকেস অমসুং এন হেরোজিৎকী জুরাগা শান্নখি। মেচ অদু ঐচ সেমসুং অমসুং এ বাইরালগী জুরানা টি ঐচ রাকেস অমসুং এন হেরোজিৎকী জুরাবু ১১-৭, ১১-৪, ১১-৯ (৩-০) দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

সব জুনিয়র গার্লস দবলসকী ফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাই লক্ষিপ্যারি অমসুং ঐচ লিয়াগী জুরাগা থৌবালগী ঐচ সেনরিটা অমসুং এম দিপাগী জুরাগা শান্নখি। মেচ অদুদা ৱাই লক্ষিপ্যারি অমসুং ঐচ লিয়াগী জুরানা ঐচ সেনরিটা অমসুং এম দিপাগী জুরাবু ৩-১১, ১১-৭, ৭-১১, ১১-৭, ১১-৯ (৩-২) দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

য়ুথ গার্লস দবলসকী ফাইনেলদা থৌবালগী টি ঐচ মোনিকা অমসুং ঐচ সেনরিটাগী জুরাগা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাই লক্ষিপ্যারি অমসুং ঐচ লিয়াগী জুরাগা শান্নখি। মেচ অদুদা থৌবালগী টি ঐচ মোনিকা অমসুং ঐচ সেনরিটাগী জুরানা ৱাই লক্ষিপ্যারি অমসুং ঐচ লিয়াগী জুরাবু ১১-৪, ১১-৬, ১১-৮ (৩-০) দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

মিক্স দবলসকী ফাইনেলদনা ইম্ফাল ইষ্টকী এ বাইরাল অমসুং আর কে চেলসিগী জুরাগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাই সুভাসচন্দ্র অমসুং এ সনাতোম্বীগী জুরাগা শান্নখি। মেচ অদুদা এ বাইরাল অমসুং আর কে চেলসিগী জুরানা ৱাই সুভাসচন্দ্র অমসুং এ সনাতোম্বীগী জুরাবু ৯-১১, ১১-৯, ৬-১১, ১১-২, ১১-৯ (৩-২) দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

মেন'স দবলসকী ফাইনেলদনা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাই বোয় অমসুং ঐচ সেমসুংগী জুরাগা ইম্ফাল ইষ্টকী এন রাজেস অমসুং কে ঐচ রোবিন্দ্রোগী জুরাগা শান্নখি। মেচ অদুদা ৱাই বোয় অমসুং ঐচ সেমসুংগী জুরানা এন রাজেস অমসুং কে ঐচ রোবিন্দ্রোগী জুরাবু ১১-৮, ১১-৭, ৯-১১, ১১-৭ (৩-১) দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

# পি ৱাই সী ফাইটোল অমসুং জে ৱাই সী জাইরোলপোকপী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ : ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শিন্দুনা চত্থরিবা ১৩শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব জুনিয়র বোইজ (চহী ১৫ অমসুং মখাগী) ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ ফোর এন হিরাচরন সিংহ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা পি ৱাই সী ফাইটোল অমসুং জে ৱাই সী জাইরোলপোকপী মায় পাকখ্রে।

জিরিবাম গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা তোঙান তোঙানবা টিম ৯ না শরুক য়ারগা চত্থরিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা ঙসিগী অহানবা মেচ ওইনা পি ৱাই সী ফাইটোল অমসুং ঈচেল ক্লব দিবোং শান্নখি। পি ৱাই সী ফাইটোলনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা ঈচেল ক্লব দিবোংনা বোল কাওবা হৌখি।

টিম অনীমক্কা মেচ অদু হৌরকপদা য়াম্না ফজনা শান্নখি। অদুমকপু মেচ অদুগী অয়াম্বা শরুকশিং পি ৱাই সী ফাইটোলনা লাকচরপ তৌনা শান্নবগী মমি তাখি। মেচ অদুগী অরোইবা পুংজাদা পি ৱাই সী ফাইটোলনা ঈচেল ক্লব দিবোংবু গোল ৬-০ দা মায়থীবা পীখি। পি ৱাই সী ফাইটোলগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ সাংবোয়না ১০শুবা, ৬০শুবা, ৬৪শুবা, ৬৫শুবা মিনিটতা গোল ৪ চনখি। অদুগা জর্সি নম্বর ৫ থাংকুরনা ১৫শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ১১ জোনবেকনা মেচকী ৬৫শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ঙসিগী অনীশুবা মেচ ওইনা জে ৱাই সী জাইরোলপোকপী অমসুং লালপানি ষ্টার ক্লব শান্নখি। জে ৱাই সী জাইরোলপোকপীনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা লালপানি ষ্টার ক্লবনা বোল কাওবা হৌখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক্কা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মেচকী ২৫শুবা মিনিটতা জে ৱাই সী জাইরোলপোকপীগী জর্সি নম্বর ৬ লালিয়েনথাংনা গোল অমা চনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা জে ৱাই সী জাইরোলপোকপীনা গোল ১-০ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদা জে ৱাই সী জাইরোলপোকপীগী জর্সি নম্বর ১০ না গোল অমগা অমুক চনখি। মেচকী ৬৯শুবা মিনিটতা লালপানি ষ্টার ক্লবকী জর্সি নম্বর ১১ জিওগিনা গোল অমা হন্দোকখি। অতোপ্পা গোল অমা অদুদি মেচ লোইবা ফাওবা হন্দাকপা ঙমখিদে। মেচ অদু জে ৱাই সী জাইরোলপোকপীনা লালপানি ষ্টার ক্লবপু গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখি।

# ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা অমিট অমসুং গৌরব খুমাঙ চাউশিনখ্রে

হমবর্গ, ওগষ্ট ২৬ : ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসন (এ আই বি এ) গী মিৎয়েং মখাদা জর্মনিগী হমবর্গতা পাঙথোক্লিবা ১৭শুবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর অমিট অমসুং গৌরব খুমাঙ চাউশিনখ্রে।



ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসিগী কেজি ৪৯ গী কেটাগোরিদা এসিয়ন ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অমিট ফানগালনা ইটালিগী ফেন্দরিকো সেরাবু মায়থীবা পীদুনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেলগী রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি। অদুগা কেজি ৫৬ কী কেটাগোরিদনা গৌরবনা ৱর্ল্ড য়ুথ চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট ওইবদা নত্তনা ওসিনিয়া চেম্পিয়ন ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী সাম গুদমেনবু মায়থীবা পীরগা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

অমিট অমসুং গৌরব সেনিয়র ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা অহানবা ওইনা শরুক য়াবনি। অমিটনা মথংগী রাউন্দদা সভেন সীদ ওইরিবা ইক্কেদরগী কার্লোসকা থিনগাইনগনি। অদুগা গৌরবনা মথংগী মেচতা অফ্রিকান চেম্পিয়ন ওইখিবা মাওরিসিয়সকী জিনজোদি বদামোটুগা থিনগাইনগনি।

## ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ : মঙাশুবা ষ্টেট লেভেল দব্লিয়ু ৱাই এল সী কপ ৱাটর পোলো চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ কী ফাইনেল মেচ ওগষ্ট ২৭কী নুংথিল পুং ২ তাবদা শ্যাম পুখ্রি স্বিমিং পুল কোংবা বজারদা পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসি লোইশিনবগী থৌরমদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বরজিৎ, ৱেলেফ্যের ওফ দ য়ুথস এন্দ লিবরেল এন্দ কন্দক্ট ওর্গেনাইজেসন (দব্লিয়ু ৱাই এল সী ও) গী প্রসিদেন্ট এল ইবোয়াইমা, কৈরাও এ সীগী এম এল এ এল রামেশ্বর মীতৈ, ষ্টেন্দর্দ কোলেজ স্বিমিং পুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী চ্যেরমেন এন জিবন্তা, মণিপুর স্বিমিং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ শ্যামসুন্দর, সোসিএল ৱার্কর টি রনবির অমসুং সোসিএল ৱার্কর এ রোবেন মীতৈনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াগনি হায়না এসোসিএসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট রেঙ্কিং কুশু চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ : বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কুশু এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা ষ্টেট লেভেল ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট রেঙ্কিং কুশু চেম্পিয়নশিপ নাচৌ বজারগী কম্যুনিটি হোলদা ওগষ্ট ২৫ দগী হৌদুনা পাঙথোক্লি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী তোঙান তোঙানবা কেটাগোরি অহুমদা পূন্না শান্নরোয় ১৩৭ রোম্না শরুক য়ারি। কুশু মশান্নদা মণিপুরনা য়াম্না মাঙজিল থানা চৎলি। লমদমসিগী নহা ওইরিবা কয়ানা মশান্না অসিদা শরুক য়াদুনা মখোয়গী হৈশিংবশিং অদু শোয়দনা উৎথোকপা ঙমগনি খল্লি।

চেম্পিয়নশিপ অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা লোক্তাক বৃগেটকী মায়কৈদগী তেংবাঙ পীখিবগীদমক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কুশু এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি হায়নসু পি আই বি দিফেন্সকী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।



HL-B/4069/15/8-14/09

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৫৪

১. ওষ্ট্রেলিয়াদা টেষ্ট ক্রিকেট শান্নবদা টেষ্ট অমদা সেঞ্চুরি অনী, ইনিংস খুদিংগী সেঞ্চুরি অমমম লৌবা অহানবা ওষ্ট্রেলিয়াগী টেষ্ট ক্রিকেটর অদুগী মমিং করি কৌবগে?
২. মণিপুরগী করম্বা মফমদা ৱাটর পোলোগী টুর্নামেন্ট অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবগে?
৩. দেকাথলোন্দা নিপা অমনা নূং লংবদা মিটর ১৫ শান্না হুনবা ঙম্লবদি মহাক পোইন্ট কয়া ফংগনি?
৪. ওলেম্পিক্কী প্লেটফোর্ম দাইভিংদা পোইন্ট ৭০০ ফংখিবা অহানবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।
৫. পীরিবা অফাওবা শান্নরোয় অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০ য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com